**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 17-06-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা রাষ্ট্রপতি অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিংগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

২) মুসলমানশিংগী শেংলবা কুম্মৈ ইদুলজহা ঙসি লৈবাক্কী অতে মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা গুৱাহাতিদা জনতা ভাৱন সোলর প্রোজেক্ট শঙ্গাখ্রে।

------

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ঙরাং রাষ্ট্রপতি অমসুং কেন্দ্রগী মরুওইবা মন্ত্রিশিংগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নবা অদুদা, মণিপুরদা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরকপদগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী ময়ুম হঞ্জিনহনবা য়ানবা শিনবীয়ু হায়না রাজ্যপালনা তকশিনখি।

তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা তঙাইফদবা শেলগী তেংবাংসু পীবীনবা রাজ্যপালনা তকশিনখি। হন্দক্কী ঈশিং ঈচাউদা অৱাবা তারবা মীয়ামদসু তঙাইফদবা তেংবাংগী থবকশিং লৌখৎপীনবসু রাষ্ট্রপতিদা তকশিনখি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কনভোকেসনদসু রাষ্ট্রপতিনা শরুক য়াবীনবা রাজ্যপালনা বার্তন তৌরমখি।

রাজ্যপালনা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগসু উন্নখি। উন্নবা অদুদা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা নিংথিনা পাউদমখি। হন্দক্কী ঈশিং ঈচাউনা রাজ্য অসিদা অমাং অতা কয়া থোকহনখিবা অদুগী মতাংদসু গৃহ মন্ত্রিদা খঙহনখি অমসুং পীবা য়াবা মতেং পীবীনবা তকশিনখি। শ্রী অমিত সাহনা নৌনা গৃহ মন্ত্রি ওইনা থবক পুরকপদসু রাজ্যপালনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, রাজ্যপালনা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমনগসু নিউ দিল্লিদা উন্নদুনা মণিপুরগীদমক পীবা য়াবা শেলগী তেংবাং পীবীনবা তকশিনখি। মন্ত্রিনসু পীবা য়াবা শেলগী তেংবাং পীগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

ইদ (এল)ঃ মুসলমানশিংগী শেংলবা কুম্মৈ ইদুলজহা ঙসি লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু পাঙথোক্লি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মণিপুরগী মীয়াম মরুওইনা মুসলমানশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালগী পাউজেল অসিনা হায়- কখোকপগী কুম্মৈ ইদুলজহানা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অখুবা মীৎয়েংদগী লাপথোকহনদুনা পুমমক্কী য়াইফনবা লম্বীদা লমজিংলি। কুম্মৈ অসিনা খাঙবা কনবা, নুংশি চান্নবা অমদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অফবা মাইকৈরোমদা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খেন্নবা পুম্বা থাদোক্তুনা শান্তি অমদি নুংশি চান্নবগী লম্বীদা চংশিনমিন্নরশি হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী পাউজেলদা কুম্মৈ অসিনা মীওইবা জাতিগী য়াইফনবগীদমক প্রোফেট ইব্রাহিমনা কৎথোকখিবা অদুবু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি হায়রি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা য়েংথিনবগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা মচিন মনাউ ওইবগী মরী হেন্না চেশিনহল্লশি হায়না ফোংদোক্লি।

তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিং অমদি লন্নাই লুপ কয়ানসু ইদুলজহাগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

জ্ন ১৮ (এল)ঃ  ২৩ শুবা দ গ্রেট জ্ন অপরাইজিং, য়ুনিতি ডে ২০২৪ হয়েং ইম্ফালদা পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে। ২৩ শুবা দ গ্রেট জ্ন অপরাইজিং, য়ুনিতি ডে ২০২৪ গী ওবজার্ভেসন কমিতিনা শিন্দুনা মপুং ওইবা নিংশিং থৌরম ইম্ফালগী কেক্রুপাৎতা লৈবা অথৌবশিংগী নিংশিং খুভমদা পাঙথোক্কনি।

ইং ২০০১ গী জ্ন ১৮ দা মণিপুরগী মীয়ামা অপুনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়না হৌরকখিবা মীয়ামগী অচৌবা ইহৌদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিং অদুবু নিংশিংদুনা থৌরম অসি চহি খুদিংগী পাঙথোক্কুনা লাক্লি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা হয়েং ইম্ফালগী রিমস অমসুং জেনিমসকী ব্লড বেঙ্কশিংদা লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

রোবিন্দ্রো (এল)ঃময়াই য়ুম্ফম খুমন কংলৈ অপুনবা ইতিনফমনা শিন্দুনা ঙরাং ময়াংইম্ফাল থানা অনি লোংবীদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা লুপ অসিগী অহানবা ফাউন্দেসন ডে কম ফেলিসিতেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। ময়াংইম্ফাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ- কোংখাম রোবিন্দ্রো য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ক্লাস টেন অমদি তুয়েল্বতা মায় পাক্লকুবা মহৈরোইশিং অমসুং স্পোর্টতা মালেমগী থাক্তা মেদল লৌরকপা অমদি শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিংদা মনা মথুম পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

থৌবাল (এল)ঃ  লৈশাংথেম অপুনবা লুপ শাফোংখিবগী চহি অমা ফারকপগী অহানবা মপোক কুমওন অমদি তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মীথোই মীহেল্লেবশিংবু ওক্কুনা পুকিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙরাং লৈশাংথেম ইমা লাইরেম্বী শঙলেনগী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা খাঙবোক্কী এম.এল.এ- ওক্রম শুরজাকুমার শরুক য়াখি।

ফুটবোল(এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী কাংশোইবী মপান প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা রাজ্য থাক্কী লেট লাইরেঞ্জম সনাতোম্বী ইনাওচা লৈমা মেমোরিএল

ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা মঙাং এফ.সিনা টাইদা-এবু ত্রাইব্রেকতা পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদনা কে.এন.কে কৈবুলনা ৱাই.দি.এ নিংথৌখোংবু পাঞ্জল ৪-৩ দা অমসুং ইমোইনু এফ.সিনা আই.দি.এফ.এ শঞ্জেনবমবু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখ্রে।

অসাম ঃ অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা ঙরাং গুৱাহাতিদা জনতা ভাৱন সোলর প্রোজেক্ট অমা শঙ্গাখ্রে। প্রোজেক্ট অসিনা মৈ মেগাৱাট ২.৫ পুথোকবা পান্দম থল্লি। প্রোজেক্ট অসিনা থা অমদা মৈ য়ুনিত লাখ ৩ পুথোক্কুনা প্রোজেক্ট অসি শাবদা চংখিবা অপুনবা শেনফম লুপা কোতি ১২ লাখ ৫৬ অদু চহি মরিগী মনুংদা হঞ্জিনবা ঙমবা হোৎনগনি হায়রি। প্রোজেক্ট অসিনা অসাম সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্স অসি লৈবাক অসিগী মনুংদা ইহান হানবা ওইনা সোলরদগী পুথোকপা মৈনা চলাইবা সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্স ওইরগনি।

সিক্কিমঃ নোং কন্না চুবা অমদি চীং নিংখায়বদগী সিক্কিমগী লাচুং এন্দ চুংথাংদা পনদুনা লৈরম্বা লমকোয়বা মীওই লিশিং ২ হেলিকোপ্তর শিজিন্নদুনা থংদোরকখ্রে। মখোয়গী মনুংদা মীরৈবাক মচা লম কোয়বা মীওই ১৫ য়াওরি।

মী হোন্দোকপগী থবক অদু রাজ্যগী মন্ত্রি সেরিং তেন্দুক ভুতিয়ানা য়েংশিল্লি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসননসু অৱাবা নংলবা মীয়ামদা পীবা য়াবা তেংবাং পীরি।

যোগ ঃ থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী যোগ নুমিৎকী মাংওইননা য়ুনাইতেদ কিংদমদা লৈবা ভারতকী হাই কম্মিসন্না শিন্দুনা ঙরাং লন্দনগী তারাফালগর স্কোয়ারদা যোগগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। পুন্না মীওই ৭০০ না শরুক য়াদুনা যোগগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। নিংশিংবা য়াই, ইং ২০১৪ দা য়ুনাইতেদ নেসন্সনা অয়াবা পীদুনা ইং ২০১৫ দগী হৌনা চহি খুদিংগী জুন ২১ দা মালেমগী যোগগী নুমিৎ পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরগী ইরাং থা অনি অহুমগী মনুংদা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম, রাজ্যপালনা রাষ্ট্রপতি অমদি কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি উন্নদুনা মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা খন্নখিবা অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকা তাইনবশিংদা ম্যান্মারগী মীওইশিং চংলক্কুনা খুল তাশিল্লরে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক্তা- মণিপুরগী ইরাং থা অনি অহুম অসিগী মনুংদা শোইদনা লোইশিনগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিগা লোয়ননা কনভোইদা এম্বুস তৌরকখিবদু চীফ সেক্রেটরিনা লুচিংবা কমিতিনা থিজিনবা হৌরে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মসিগা মান্নবা পাউ মণিপুর নিউজ, মোর্নিং বেল, ঈচেল এক্সপ্রেস, পোক ফম, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী ইদিসন অনিমক, পিপলস ক্রোনিকলনচিংবা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংনবা উরে।

মণিপুর নিউজদা- গভর্নরনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মুরমু অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহগা উন্নখ্রে, মণিপুরদা শান্তি থমবগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।  পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা রোংমৈগী খুল ২৮ গী এদমিনিষ্ট্রেতিভ রি-ওর্গনাইজেসন তৌবীনবা চীফ মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওহবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি গানফিউ মেলদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- কাংপোকপী গাংপিজাংদা কম্বাইন টিমনা ওপরেসন চথবদা য়াম্লবা খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফমদা- তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকা তাইনবশিংদা ম্যান্মারগী মীশিং চংলক্কুনা খুল তাশিল্লরে হায়বা পাউ অমা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- ঈশিং ঈচাউ মতুংদা ইম্ফালগী রাজ মেদিসিতি হোস্পিতাল মহৌশাগুম মথৌ তৌবা হৌরে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- জিরিবামগী রিলিফ কেম্পশিংদা টেম্পররি স্কুলশিং হাংদোকপা হৌরে হায়বা পাউ অমা ফোংবা থেংনরে।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- ওজা লৌবগী মতাংদা দেসামগা গভর্নমেন্টকী মুকবা হেনগৎলক্লি, মিনিষ্টর, কম্মিসনার, দাইরেক্তরগী মীতমশিং মৈ থাখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- ইম্ফালগী থঙ্গাল অমসুং পাউনা কৈথেল অমোৎ অকায়না পীক থল্লে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- জিরিবামদা অহেনবা সেন্ত্রেল ফোর্সেসশিং থাজিনখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- লো এন্দ ওর্দর ঙাকবা হোম মিনিষ্ট্রিগী পাউতক্তগী মণিপুরগী মফম ৫৫ দা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স কম্পনি ৫০ থমবা প্রি ফেব্রিকেতেদ ষ্ট্রকচরশিং শাগৎপা হৌরে হায়বা পাউনা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। মণিপুর মেলদা- মুসলমানশিংগী নুংঙাইরবা ইদুলজহা কুম্মৈগা মরী লৈননা মাইকৈ কয়াদগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- কুকি তাবা এরিয়াদা সেনাপতিগী এল.পি.জি পুবা গাড়ি দ্রাইভরশিং মীওৎ মীনৈ মায়োকরে। জিলা অসিদা এল.পি.জিগী অৱাৎপা মায়োকরে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। দি চামদা- এম.এল.এ খৌতেনা সিভিল এভিএসন মন্ত্রিগা উন্নদুনা চুরাচান্দপুরদা মিনি এয়ারপোর্ট অমা থম্বীনবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------